ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ১০, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২২৬শুবা মশীং

## মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং হাংদোক্লবা থৌরাং

### মতম লৈরিঙৈদা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নহৌবা মথৌ তারি

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা স্কুল অমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙ পূন্নমক ওক্টোবর ১৫দগী তাঙ্কক নাইনা হাংদোক্লবগী মতাংদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে। মফম-মফমদুগী ফীভম য়েংলগা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি মশা-মশানা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং হাংদোক্লবগী ৱারেপ লৌজগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অয়াম্বনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। খুদম ওইনা হায়রবদা পঞ্জাব অমদি হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা দিৱালি লোইরগা নবেম্বর ১৬তগী তাঙ্কক নাইনা য়ুনিভর্সিটি অমসুং কোলেজশিং থোঙ হাংহনগদৌরি। ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী ওইনদি দিসেম্বর থাদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং হাংদোকপা হৌনবা ষ্টেটকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর পার্থ চেত্তর্জিনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা চলাইবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী ওইনদি ভাইস চাঞ্চেলর নৎত্রগা ইন্সটিটুট্যটকী মকোকনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌজগদবনি। য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিনা স্কুলশিং হাংদোক্লবগী গাইদলাইন ফোঙখ্রবসু য়ু জি সীনা য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজশিং হাংদোক্লবগী কাঙলোন লাউথোকখ্রে। য়ু জি সীগী অপাম্বা মতুংইন্না রিসর্চ স্কোলরশিং, পোষ্ট গ্রেজুৱেট মহৈরোয়শিং অমসুং ফাইনেল য়র অন্দরগ্রেজুৱেট ষ্টুদেন্টশিং ক্লাস য়াওহন্নবা থৌরাং তৌরি। অদুম ওইনমক মহৈরোয়শিং মতম অমুক্তদা পূন্না ক্লাস য়াওহনবগী মহুত্তা তাঙ্কক নাইনা কাঙলূপ মচা-মচা কয়া খায়দোক্লগা ক্লাস তৌগদৌরি। মহৈ তম্ফম লোইশঙ পূন্নমক মহীক-মতাই চেন্দনবা মাঙজৌননা দিসইনফেক্ট তৌগনি। মহৈরোয় অমদি ওজা পূন্নমক ফেস মাস্ক উপহনবগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা ক্লাস তৌহনগনি হায়রি। য়ু জি সীগী গাইদলাইন্দা হোষ্টেলশিং হাংদোকপগী ৱাফম য়াওদে। করিগুম্বা তঙাইফদনা হোষ্টেল থোঙ হাংবা তারবসু কা অমদা মহৈরোয়শিং পূন্না লৈবা য়াহল্লোইদৌরি। হোষ্টেলদা লৈগদবা মহৈরোয়শিং নুমিৎ ১৪নি ক্বারন্টিন তৌহনবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী লাইওং উৎথোরকপা মহৈরোয়শিং হোষ্টেলদা লৈনবগী অয়াবা পীরোইদৌরি।

মতৌ অসুম্না তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং তাঙ্কক নাইনা হাংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎনরক্লি। লাইবক থীবদি অন্ধ্র প্রদেশকী ওইনা নবেম্বর ২দগী ক্লাস নাইন, টেন, ইলেভেন অমসুং ত্বেলভতা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক স্কুল হেক হাংবা হৌখিবগা মহৈরোয় ৫৭৫ অমসুং ওজা ৮২৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। ষ্টেট অদুগী ওইনা ক্লাস নাইন অমসুং টেনদা তম্লিবা মহৈরোয় লাখ ৯.৭৫ লৈবগী মনুংদা মহৈরোয় লাখ ৩.৯৩না স্কুল কারকখি। ওজা লাখ ১.১১ লৈবগী মনুংদা ৯৯,০০০না স্কুল স্কুলশিং হাংদোক্তুনা ক্লাস হেক হৌখিবগা মহৈরোয় ৫৭৫ অমসুং ওজা ৮২৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলুরগা ওরিষা গভর্ণমেন্টনা দিসেম্বর ৩১ ফাওবা ষ্টেটকী স্কুল পূন্নমক থোঙ লোনখিগনি হায়না লাউথোকখি। দিসেম্বর থা ময়ায় চল্লকপদা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি পাক শন্না শন্দোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ওরিষা গভর্ণমেন্টনা দিসেম্বর ৩১ ফাওবা স্কুলশিং থোঙ লোন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। ওরিষাগী স্কুল এন্দ মাস এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সমির রঞ্জন দাসনা হায়খি, ক্লাস নাইনদগী ত্বেলভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং নবেম্বর থাদগী স্কুল কাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলুরে। অদুবু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্লগনি হায়বা অখঙ অহৈশিংগী ৱা তারবা মতুংদা মখা তানা দিসেম্বর ৩১ ফাওবা স্কুলশিং থোঙ লোন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। অমরোমদা, মহারাষ্ট্রগী ওইনদি নবেম্বর ২৩দগী হৌনা স্কুলশিং থোঙ হাংদুনা ক্লাস নাইনদগী ত্বেলভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং তাঙ্কক নাইনা ক্লাস য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। অদুবু মমা-মপা অয়াম্বনা মচাশিং স্কুল কাহন্দনবা ফিরেপ লৌরে হায়রি। মণিপুরগী ওইনদি করম্বা মতমদগী স্কুলশিং থোঙ হাংগদগে হায়বগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ লৌবা ঙমদনা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অরোইবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নহৌবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫

১) "কালোভ্রমর" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা দিটেক্টিব নোভেল অসি মীয়াম্না পাম্নখিবা মমিং চৎপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) করম্বা চহীদা মণিপুরীবু কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগী মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক রিকগনিসন পীখিবগে?

৩) "ঐ ইশাগী য়ূমদা ইশাগী ইখ্বোলদা/লৈরি য়ূমতাংবা অমগুম/ইরোল-ইরী ফাওনদবা/অতোপ্পা গ্রহ অমদগী লাক্লগা থুংলবগুম/ইমা ইচা শকখঙনদনা/মীৎনা উনা উনা মরীসে/শকউদবা পল অমনা ৱাংনা খাগৎলি/কৌন ঙাঙনবা তানদনা।" শৈরেং মতেক অসি নহা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো, করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) মণিপুরীদা ইথোক্লবা "পরিক্ষিত" হায়বা লাইরিক্তুদা পরিক্ষিত নিংথৌদা শাপ তৌখিবা মুণি অদু কনানো অদুগা পরিক্ষিত নিংথৌদা চিকখিবা লিলদু কনানো?

৫) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল ফংখিবা য়েংখোম বিহারীনা ইবা লাইরিক্তু মমিং করি কৌবগে অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইলেক্সন অমদি এন বিরেন লৈঙাক, হঙ্গৎনা য়েংলুবদা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬২৫

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঙসি নবেম্বর ১০,২০২০ নুমিৎসিদগীদি নহান তারিখ ৭তা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলগী ফল খঙবা ঙম্লগনি। ৱাংজিং তেন্থা, লিলোং, ৱাবগাই অমদি সাইতু হায়রিবা মীখলকোল মরি অসিদা পাঙথোকখিবা মীখল অদু থৌদোক মচা-মচা খরা থোকখিবা নত্তনা কা হেনবা খৎন-চৈনবগী থৌদোকমক্তি থোকখিদে হায়না মীয়াম্না পানরি। মীখল হায়বসি মণিপুরদদি চাউখ্রবা ফেষ্টিভেল অমনি। ভোটরশিংদা শেল য়েনবা, চাকচা-হৈজানবা, কেন্দিদেটশিংনা ভোটরশিংগী মবুক পেলহনবা, মীটিং, লাউ-খোংবা হায়বসি চহী কয়াগী মমাঙদগী অদুমক চথদুনা লাক্লবনি। অদুগীসু মথক্তা ভোট কাদবা য়াদে হায়দুনা অৰৈবা শক্তি শীজিন্নদুনা মসল পাৱর অমদি মনি পাৱরগী মতেংনা কানিখবসু অয়াম্বনি। শেল য়েনবগী মতাং অসিদি ইন্দিয়াদা নত্তনা মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লরিবা ইলেক্সনগী মওং অসিদা মণিপুরমুক শেল চাউনা য়েল্লমগনি হায়বসি থাজদে। মতম অমদা লুপা ৫০/১০০ য়েন্নরম্বদগী লুপা ৫০ লানখৎলকখিদুনা হৌজিক্তি লুপা লিশীং ৩/৫দগী ৭ ফাওবা য়ৌখ্রে ঙাঙনরি।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ৱাখল তাবোই তাদবোই তৌবা মতাং অদু কুমজা ১৯৭০ হৌগৎলকপা অদুৱাইগী মতমনি। মতম অদুৱাইদা মীখল পাঙথোকপগী পোল্লিং ষ্টেসন পরেং-পরেং শান্নখিবা, য়ামখ্রবা মীয়াম থোরক্তুনা কৃক-কৃক ইন্ননা ভোটকী লাংনখিবা থৌদোকশিং অদু নীংশিংলকই। মতম অদুদা কোংগ্রেস (এস) হায়বা পার্টি অমা তাখি। লুচিংবনা কনা কনানো হায়বদুদি নীংশিংবা ঙমদ্রে। মতম অদু ঐখোয়গী লৈকায় অমদি অকোয়বদা লৈবশিং হৌজিক্লা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী মনুংদা চল্লবসু কৈশামথোং এ সীগী মনুং চল্লন্মী। ভোটকী মর্কানা খোঙনাং পাম্বী য়েকপা অমগা ষণবী-ষণনাও য়েকপগনি কন্না লম্বা তৌনখিবদু। কোরোক কোয়বা ষণবী-ষণনাও য়েকপা বেদজশিং য়েল্লকপদা অঙাং ময়াম মান্নদুনা ফুরিৎখাও মথক্তা থবাক্তা থেৎতুনা হরাউনা কোয়চেন চেন্দুনা শান্নখি। মতম অদুৱাইদা চা-নুং লোন্দুনা য়েনবা-থকপদি তৌনখি। হৌজিক্কী মতমগী শেল চাউনা চাউনা য়েনবগী মওং অসিদি শুকতৌ তৌনরমদে। মদুগী মতুংদগী কুমজা ১৯৮০গী মতুং অদুৱাইদা ওইরমগদ্রা ক্বা মতপ-মতপ য়েনবা চৎনরকখি। অদুদগীদি ক্বা মতপ য়োম্বা চে লাকোন মনুংদা লুপা ৫ চৎপী য়েপশিল্লগা পীবা চৎনরক্তুনা মথং-মথং হোংলক্তুনা হৌজিক্কী ফীভম অসিদা তারকখিবনি। শেল য়াম্না য়েনবা ঙম্বনা কাবা, শেল য়েনবদা তৎপনা পোহৌবা মসিনি হৌজিক্কী মতম অসিগী ইলেক্সন!

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ৱাখল তারকঙৈদগী ঙসি ফাওবগী মতম অসিদা চীফ মিনিষ্টর কয়া পানখ্রে। মোইরাং কোইরেংনা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবদি ৱাখল তাহৌদে। অতেনবা মতমগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা থম্বৌগী মমিং তাখি। মদুগী মতুংদা অলিমুদ্দিন, রিশাং কৈশিং, য়ংমাসো সৈজা, দোরেন্দ্রো, আর কে রনবীর, রাধাবিনোদ, নিপামচা, চহী ১৫ চূপ্না ষ্ট্রেটতা পাল্লম্বা ইবোবী অমদি হৌজিক পাল্লিবা এন বিরেনগী মতম অসি ফাওবদা মখল মখলগী থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকখি। পার্টি চোঙথোক-চোঙশিনগী লৈঙাক অমুক থুগায়বা, অমুক অনৌবা পার্টি লিংখৎনরক্তনা শেমগৎপা মথং-মথং চথুরকপসি চৎনবী অমা ওইনা হৈনখ্রে। চহী ৫গী টর্ম নৎত্রগা চহী ৫ হেন্না চীফ মিনিষ্টর ওইনা পাল্লম্বা নৎত্রগনা টর্ম শুকশু শুদনা পাল্লম্বশিংগী মতমদা নীংশিংনীংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া রেকোর্দ ওইনা থল্লন্মী। ময়াম অসিগী মনুংদা মীয়াম্না কন্না পন্নরিবসি ও ইবোবীগী চহী ১৫ চূপ্না পাল্লম্বা মতম অসিনি। মহাক্কী মতমদা ফেক এনকাউন্টর খ্বাইদগী থোকপা, মীশি-মীনাসু খ্বাইদগী হেন্না থোকখিবা মতম ওইখি। মরাল লৈজদবা মীওই কয়া হাৎখিবা, বন্দ-ব্লোকেদ তোয়না তৌখিবা, ওইল পম্পশিংদা থাও খরগীদমক অহিং য়ারেক্লখিবা, টেন পর্সেন্ট করপসনগী লৈঙাক হায়রগা হায়রিবা চহী ১৫ চূপ্না লৈঙাকখিবা মতম অসিবু খঙনরি।

হৌজিক্লা কোংগ্রেস লৈঙাক ইন্থুখিদুনা এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা পাল্লকপা চহী অহুম মখায় হেঞ্জিল্লক্লে। অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদা হান্না তৌরমদবা, উবা ফংলমদবা কয়া অমসু মথং-মথং উরক্লি। হায়রিবা মতম অসিদা লৈঙাক অসিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউরিবা ৱাফমদি - ফেক এনকাউন্টর, মীশি-মীনা থোক্ত্রে, নুমিদাং মপান থোকপা কিনরম্বদু হৌজিক্তি লৈত্রে, পেত্রোল-দিজল লৌনবা ক্যু লেপ্নরম্বদু শাংনা লেপত্রে, চীংদা চৎলু, খুঙ্গংদা চৎলু হায়বগী স্লোগানগা লোয়ননা মীয়ামগা নক্লবা মরী থম্বা ঙম্লে। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংদগী হৌরগা লায়রবশিংগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা লৈত-লায়র, অৱাবা তারবশিংবু মোমোন নোকহনবা ঙম্লে হায়বসিনি। হায়রিবা মথক্তা পঞ্জিখ্রিবশিং অসি বি জে পিগী স্পোক্সপর্সনশিংনসু য়াম্না তোয়না পল্লিবা ৱাফম ঙাক্তনি।

তৌবতবু খ্বাইদগী ফরবা মখলগী লৈঙাক্লি হায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মতম অসিদা অঙক-অঙকপা মখলগী থৌদোক ৱাথোক কয়াসু উবা ফংলি। খ্বাইদগী হেন্না ঙকখিবদি ভোটকী রিজল্ট হেক লাউথোকখিবগা অন্দ্রোগী শ্যামকুমারনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৱাশক্ত্রিঙৈদা টেন্থ সেদ্যুল কিদনা মথন্তা বি জে পিদা চোঙশিনখিবা অদুনি। অঙকপা হায়ববু মণিপুরগী পুৱারীদা অমুক্তা থোকখিদবা থৌদোকনি। অদুবু চহী ২ হেন্না মিনিষ্টর ওইরম্লবা মতুংদা টেন্থ সেদ্যুলগী থাঙশাংনা শোয়দৎখ্রে। মহাক মিনিষ্টর ফমদগী তাখ্রে। এম এল এসু ওইদ্রে। মীচম অমগী ষ্টেটসকা চপ মান্নখ্রে। আইনগী মায়োক্তা কনানসু লৈবা ঙমদে হায়বদু থৌদোক অসিনা তাকখ্রে।

শ্যামকুমার বি জে পিদা চোঙশিনখিদুনা মিনিষ্টর ওইবা ফংখ্রে। ঐখোয়সু চোঙশিল্লগা মিনিষ্টর ফম লৌরুসি হায়দুনা মখোয় কোংগ্রেস এম এল এ ৬ চোঙশিনখিবা অদুসু আইননা চৈরাক পীখ্রে। দিসক্বালিফাই তৌখিবা য়াও, দিসক্বালিফাই শোয়দনা তৌরক্লগনি কিবদৈ এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌবসু য়াওনখ্রে। এন বিরেন মতমগী লৈঙাক মনুংদা মথং-মথং চোঙথোক চোঙশিন তৌবগী মওং অসিদি মমাঙগী টর্মশিংদা অমুক্তা থেংনরকখিদ্রি। অদুগা স্পিকরনা লৌখিবা রোলশিংসু পুৱারীদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মক্তনি। চহী অহুম মখায় ফাওবদা ঙায়রিবা লৈঙাক্কী মতম অসিদা বি জে পি এম এল এ গ্রুপ খরা তাশিন খোমজিল্লগা লুচিংবা শিন্দোক্লবা কয়ারক হন্না হোৎনদুনা দিল্লিদা কেম্প তৌরুবা অদুসু ইকান কান্নখিদ্রে, অরেম্বদা তাখ্রে। মখা তারকপা ওইনা বি জে পি এম এল এ অহুম চোঙথোরক্তুনা কোংগ্রেসকা পুল্লগা এন পি পি মরি য়াওনা লৈঙাক শেমগে থৌরাংলুবসু ফুদ্রিৎতা মাঙজোং চোঙলগা তোকখ্রে। তশেংনসু এন বিরেন লৈঙাক অসি য়াম্না ৱানা ফেরে-ফেরে হাইদুনা খাঙখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি সেট্রল তৌরে। ষ্টেবল ওইরে হায়না লৌবা য়ারে। মরক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ঙকপনা ককচীং এ সীগী এম এল এ খনবগী মতাং অসিনি। হান্না কারম্বা সুরচন্দ্রগী মহুত্তা সেকেন্দ তাখিবা রামেশ্বরনা কেস ঙমদুনা এম এল এ ওইনা ৱাশকপগী কোর্টকী ভর্দিক্ট অসিসু পুৱারীদা অহানবা ওইরি। তৌবতবু টর্ম লোইগদৌরবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক খরদি মওং তানা, মগুন লৈনা তৌবীরম্মু হায়জনীংই। ●

## কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ১৫

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অনীশুবদা, খুন্নাইদা তোইনা উবা থৌওং খরদি - খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা খরা লায়রবা ইমুংগী অঙাং মচা চেল্লিবী খরনা থা য়ামদ্রিবা মচাশিং নুংশা মরক, উফুল-ৱাইফুল মরক্তা; লায়রবা ইমুং খরগী মচাশিং উফুল-ৱাইফুল মরক্তসু পংশান শান্নবা, উফুল/লৈবাক্তা অচাপোৎ তাখ্রবসু চামথোক্তনা, মখূৎ মশা হামদোক্তনা পংচা চাবা অঙাং কয়া; লৈখোম লৈনাংদা শান্নবমখৈ শান্নরুরগা পুখ্রিদা/তুরেলদা নৎত্রগা নোংজ থাগী ঈশিং ঈচাওনা লৈনাং ওইনা চেনবা তুরেলগী ঈচেলদা চোঙথরগা শান্নবা অঙাং কয়ানা নাদ্রগা ইনাক খুনবা ইমুংগী মমা-মপানা মচাবু মফি-মরোল অনানবা, অরুবা ফিজোল, মহিক মতাই চঙদনবা ফজনা শেংদোক্লবা নাল্লবা য়ূমগী/কাগী লৈমায়দা অমুকসু কার্পেট/প্লাষ্টিক্কী ফক অপাকপা থারগা মমল য়াম্বা শান্নপোৎশিং, অচাপোৎনচিংবসু ফজনা চামথোক্লবা পাত্র, চামচ শীজিন্নদুনা পীজবা ইমুং কয়াগী মচাশিং/অঙাংশিং লোক থুংবা, মখোঙ হাম্বা, মশা শাগৎপা কয়া য়াওবা থেংনৈ। মথক্কী ফীভমশিংসিদগী ইম্ম্যুন সিষ্টমগী ৱাফমসি কমদৌরিবজাৎনো হায়বগী মতাংদা অসুম্না অমুক থমজরি।

মোবাইল ফোনগী মতেংনা ইন্টরনেটতা থেংনখিবা অমগী মতুংইন্না - "ইম্ম্যুন সিষ্টম হায়বসি সেলস, টিস্যুজ অমসুং ওর্গানশিংসিগী কমপ্লেক্স নেটৱর্ক অমনি। বেক্টেরিয়া/ভাইরস হায়রিবা মহীকশিং (জর্মশিং) না হকচাংদা লান্দারল্লগা মশীং য়াম-খৎলক্লবা হোৎনরকপা মতমদা মথক্কী নেটৱর্কসিনা অমাঙ অতা থোকহল্লকপা অমদি অতৈ লায়নাশিংদগী হকচাংবু ঙাকথোক্লবা লান্থেংনবদা মতেং পাংই।"

অসিগুম্বা ইম্ম্যুন সিষ্টমসি করম্না মপাঙ্গল কনখৎহনগদগে হায়বসিগী মতাংদা তৌগদবা কান্নবা থৌওং খরদি :-

১) মাঙনীংঙাই ওইনা য়ু থক্তবা/হেন্না ফবদি থক্তবা;
২) চুরুট-বিড়ি থক্তবা;
৩) মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ চাবা;
৪) হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবা;
৫) তূম্ফম থোকপা চাংদা তূম্বা;
৬) হকচাংগা চান্নবা অরূম্বা থম্বা;
৭) খূৎ শেংনা তোয়না হাম্বা,শা-য়েন চাবদা মরৈ মুন্না থোংলগা চাবা।

মথক্কী অহানবা অমসুং অনীশুবগা মরী লৈননা - য়ু থকপা/চুরুট-বিড়ি থকপদা হৈনখ্রবশিংগীদমক্তদি মখোয়বু চাং হন্থহন্নবা পাম্বৈদি অহানবদা য়ু শুংফমশিং মীয়ামদা য়োন্নবা শুংহন্দবা; অনীশুবদা লৈবাক/খুন্নাইশিংদা য়োলহন্দনবা থিংবা; অহুমশুবদা য়ূমগী অহল-লমনশিংনা কুপশেন শেন্নবিবা; মরিশুবদা অখঙ অহৈশিংনা য়ু থকপগী মরমদা কাউন্সেল্লিং পীদুনা তোয়না তাহনবা। চুরুট-বিড়িগী মতাংদনা কোরোনা লায়না লাইচৎকী য়েংলগা মপান লমদগী পুশিল্লকপা য়াহন্দবা/থিংবা/ফাবগা লোয়ননা লৈকায়শিং/খুনশিংগী দুকানশিংদা য়োলহন্দবা, লম্বীদা করিদা য়ু/চুরুট থক্লগা চৎপশিং ফারগা ফাইন থিহনবা, য়ূমগী অহল-লমনশিংনা কুপশেন শেন্নবা, হৌজিক্তি অয়াম্বা য়ূমগী মপান্দা কয়া চৎথোক্লদ্রবনিনা।

মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈ ফজনা চানবা হোৎনবা হায়বসিদা লৈঙাক্কী ওইনা করিগুম্বা মরম অমদগী খুন্নাইগী পুন্সিদা অথিংবা থমদবা/লৈতবা মতমদদি কৈথেল ফম্বীশিংদগী চানীংবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ লৈবা ফংই। শেল পায়বা পায়দবা মানা-মানা ঙমজবগী/পাম্বগী মতুংইন্না লৈরগা খরদি অদুম চানৈ। অদুবু হন্দক খঙহৌদনা মণিপুরদা মার্চ ২৩দগী লায়না লাইচৎ ওইরকখিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কৈথেলশিংদা মনা-মশিং অমদি হৈ-রা য়োনবী/য়োনবা অমত্তা ফমদুনা য়োনবা য়াদবা মতমদা ইম্ম্যুন সিষ্টম কনখৎহন্নবনি হায়দুনা কোয়থি থিদুনা লৈরুগদবসি অরুবা থৌওং/ফীভম অমনি। অমুকসু মনা-মশিং, হৈ-রা অয়াম্বদি ইম্ফালদগী কিলোমিটর কয়া লাপ্পা মফমশিং/চীংশিংদগী পুথোরক্কদবা ওইবনা কোভিদকী কর্ফিয়ু লৈরিঙৈদা তরায়না হেক্তা ফংবা ঙমদবনা চাবা ফংদবা/ফংলবসু শরুক অনী মমল হেনগৎনা লৌবা, খুদম ওইনা লুপা ১০ পীরম্বদুনা লুপা ২০ পীদুনা লৈবা তারকপসিনি। মদুসু য়াম্না পুরকপা নত্তবনিনা অফং-অফং লাক্লবগী ফীভমনি।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা ইম্ম্যুন সিষ্টম কনখৎহল্লি হায়নরকপদগী নুপা (নুপামচা/পুংকক/পাখং/চহী য়াম্বা পাখং/মীয়াই/হনুবা); নুপী (নুপীমচা/পুংকক/লৈশাবী/চহী য়াম্বী লৈশাবী/মৌনহা/মৌ মীয়াই/হনুবী) কয়ানা অহানবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং য়াম্না লৈত্রিঙৈদগী পোজিটিভ ওইবা মী মশীং হেনগৎপা হৌরকপা মতাংদু ফাওবা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং পংথেং থেংদবা মতম ফাওবা লম্বীদা গাড়ী মখল অয়াম্বা চেনবা লেপ্পখিবা মতাংসু ওইবনা ৱাকিং চৎনবগী চাং য়াম্না ৱাংবা মরক অমা লৈখি। খরা লৈরগা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু কনশিল্লকপদগী নুংথিল পুং ২/৫দা দুকানশিং থোঙ লোনবদা নত্তনা মী ফাওবা চৎপা য়ারক্ত্রবা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং খায়দনা দ্যুটি তৌরুবদগী ৱারবা পুলিস পর্সনেলশিংনা পুলিস পেত্রোল/জীপসি মনুংদগী লম্বীদা চৎপা য়াদ্রবা মতম/দুকান থোঙ হাংবা য়াদ্রবা মতমদা ফরক তানা চৎলুবশিংদা লাউরকপা ৱাহৈ খরা শীজিন্নরকপদু অতাবশিংদা খোইদৌ য়াম্না থিৎপা য়াওদবসু নতে। অদুবু অমসু অমসু হন্দোক হঞ্জিন তৌনরগা হৌজিক ফাওবা চপ চানা কোভিদ-১৯গী ভাইরস অসিবু ঙাকথোকপা/হাৎতোকপা ঙম্বা ভেক্সিন/হীদাক মখল অমত্তা মালেমগী ওইনা পুথোকপা লৈত্রিবনিনা, চাংয়েং ওইনা লাইচৎসি লায়েংবদা খরদি কান্নগদ্রা খনবা মওংদা লায়েং চথুরিবনা, ইশা ইশানা চেকশিঞ্জবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে হায়বসিনি।

মালেমগী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং হেনগৎনরকপদগী লৈবাক লৈবাক্কী ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু কনখৎনরকপনা মরম ওইরগা মণিপুরদসু নুংথিলগী পুং ১/২/৫দা কর্ফিয়ু অমসুং লোকদাউন মার্চ থাদগী হৌরগা লেপ্তুনা লৈনরকপনা অহানবদা টি ভি চেনেলশিং য়েংলম্বা/রেদিও নৎত্রগা কেসেটনচিংবা তারম্বা কয়া য়েংনীংলক্তবা/তানীংলক্তবা/চৎথোকফম কয়া লৈতবনা পোত্থাবা ওইনা নুংথিলসু অয়াম্বা মতমদা তূমদুনা লেনবা তারকপনা নুমিদাংদা তূম্বা চাং নায়রক্তবা কয়ানি। ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা ইমুংশিংগীদি মনা-মশিং -কিটচন গার্দেন তৌফম ইরৈ লৈনবসু নত্তে। মীপূম অয়াম্বা ৱারেং-শৈরেং-ঈশৈ ইবা হৈবা/পাম্বা কয়া নত্তবনিনা, পোৎ চৈ চাইরম্বা কয়াসু লোইশিনবা লোইনরক্লবনিনা মতম শাংনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা য়ূম অমদি য়ূমগী অকোয়বদা নৈশিন্দুনা লৈরকপা মতমদা তশেংনা হায়রবদি - তূম্বগী চাংদি মচিৎ মচিৎ তূম্বনা চাং নায়ইনদি তূম্বা ঙম্নদে হায়বদা লানগনি থাজদে।

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা মরু ওইবা থৌওং অমদি শীজিন্নবা য়ারে হায়বা সেনিটাইজর অমনা খূৎশাদা তোয়না তৈদুনা শেংদোকপা/সাপোন নোইদুনা সেকেন্দ ২০ চঙনা অরুবা ঈশিং শীজিন্নরগা হামদোকপা হায়বসি য়ূমথোঙ খুদিং/মীপূম খুদিং তৌনরে হায়বা য়ারে। অদুগা নাকল অমরোমদা, হৌজিক্তি লৈকায় লৈকায়গী লৈরক খুল্লক্তা য়েন/শা (ওক/ষণ) ফাওবা কক্তুনা য়োন্নরকপসিদগী মশা কনখৎহন্নবা য়ূমদা মমান্নবা খরা পুনশিল্লগা থোংদুনা চানবসিদি অদুম তোয়নরমগদবা মাল্লি হায়না থমজগে। মীতৈশিংগীদি থাও ঙৌরগা, মমুৎ তানা থোংলগা চাবা চৎনবনিনা মতাংসিদদি ফুরুপ খুদিংগী য়ূমশিংদা লূ-নান্নবা, খূৎশা শেংনা হাম্বা/সেনিটাইজর শীজিন্নবা, মমুৎ তানা থোংলগা চাবা হায়বসিসু খুন্নাইগী য়ূমথোঙ খুদিংদা হীরমসিদি ঙাক্লা চৎলে হায়বা য়ারে। মতাংসিদা খন্নবা য়াবা থৌওং অমদি তূম্বা-চাবা নায়দবা, চাবদা মায় ওনশিন্নরকপা, ৱাকিং চৎপা য়াদবা মরম ময়ামসিনা কোভিদ-১৯গী মনুংসিদা মীপূম অয়াম্বগী লূম্বগী চাংদি হেনগৎলমগনি হায়বসিনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।